# লান্মীনা লুপা ক্রোর ২ রোমগী চা চন্দল ফারে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, ডিসেম্বর ৬ঃ আইন্না য়াদবা মওংদা তাতা ট্রক অহুমদগী ৬ শুবা দোগ্রাগী লান্মীনা লুপা ক্রোর অনিরোমগী ভেল্যু ওইগদবা চা চন্দল উ তোন ৪.৩০ গা কোন্ননা মীওই তরামঙা ফাগৎখ্রে হায়রি।

হেডক্বার্টরস আই জি এ আর (এস) কী পি আর ওনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়, ২৬ শুবা সেক্টর অসাম রাইফলসকী মখাদা ৬ শুবা দোগ্রানা ঙরাং নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ২ রোম তারকপদা চান্দেল ডিষ্ট্রিক্টকী মোলটুকতা অখন্নবা চেক পোস্ত হাংদোক্তুনা অচৎ-অওকশিং চেক তৌবদা আইন্না য়াদবা মওংদা চা চন্দল লোন্না পুরম্না তাতা ট্রক অহুম অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি।

ফারবা ট্রকশিং অদুগী রেজিস্ত্রেসন নম্বরনা এম এন ০১-৯১৫২, এন এল ০৪এ-৩২৯৩ অমসুং এম এন০১-৫৯০৯ নি।

ট্রকশিং অদুদা নুঙকুপ অমদি লৈঙোইনা মথক্তা হাপ্লবা মতুং মদুগী মনুংদা চা চন্দল উশিং অদু মকক কক্লগা লোৎতুনা পুরম্বনি হায়রি।

তাতা ট্রক অহুম অদুদগী য়ামদ্রবদা উকক ১৪৭ চাওরাক্লা তোন ৪.৩০ ফাগৎপা ঙমখি। চা চন্দল উকক অদু ফিট অহুমদগী ১০ ফাওবগী মনুংদা ককথৎলগা হাপ্লম্বনি।

মসিগী অপুনবা মমলনা লুপা ক্রোর অনিরোম ওইগনি হায়রদুনা গাড়ীশিং অদু এস কে লভরিং কৌবা অমনা ৱাইরগা উশিং অদু মোলফিবুং খুল তন্না পুনবা হোৎনরম্বনি হায়বা খঙলে হায়রি।

আইন্না য়াদবা মওংদা চা চন্দল উ পুরম্বগীদমক ফারবশিং অদুদি, ট্রক এম এন০১-৯১৫২ গী দ্রাইভর দেভিদ, গাড়ী মপু কোতাব লমকাং, বেবে লমকাং, কোকো লমকাং, ট্রক এন এল ০৪এ-৩২৯৩ গী দ্রাইভর টি মেদুন, কাকো লমকাং, কোথিল মাং, প্রেমকুমার মৈতৈ, ট্রন এম এন ০১-৫৯০৯ গী দ্রাইভর টিঐচ কোকঙাং, মোত্রোং লমকাং, রোমেশ লমকাং, ৱেলসন লমকাং, জিওর্জ লমকাং, রেঙ্কামুং লমকাং অমসুং তার্ফোট লমকাংনি।

ফারবা মীওইশিং অমদি মখোয়না পুরম্বা চা চন্দল উশিং অদু মণিপুর সরকারগী ফোরেষ্ট ডিপার্টমেন্টতা শিন্নখ্রে হায়নসু পাউ অসিনা মখা তানা হায়রি।